# “লায়রবদা লাই চঙবা, লু কোকপদা লেন তাবা-!”

- এল ইবোমচা -

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসিগী মনুংদা নাগালেন্দ অমদি মিজোরাম নত্তনা অতৈ ষ্টেটশিং অসিদি মীতোপ্পা খূৎলিংবা ষ্টেট ঙাক্তা ঙাইরে হায়বা য়ারে। অদুনদি মীতোপ্পা খূৎলিংবা ষ্টেটশিং অসি অমত্তা ওইনা পূন্না খূৎশম্নরগা পোলিটিকেল ওইবা প্লেটফোর্ম অমা শেম্মীন্নরগা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা মরমদা হলহনখিনবা থবক চথবীনবা সেন্টর লৈঙাক্তা তকশিনমিন্নবগী মতম ওইরে। থেংবগী হায়রুরবদি য়াম্না হেন্না থেংমল্লবনি, মরা তাশিনখিবা মতম কুইরবনিনা ৱাদদি মরমদা হলহনখিবা মহায়বা ষ্টেট অমা অনীখক্না হৌ-হৌ চোংলুবদা ওইথোক্কদবা মান্দে, অপূনবগী পাঙ্গল অমা শাগৎত্রবদি ওইগদবা মান্দে। মরম অসিনা পোলিটিক্স তৌরিবশিংনসু তুংগী মীরোলগী য়েংলগা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী খরা খজিক্তং থৈদোক্লগা সেন্টর লৈঙাক্তা মীয়ামগা পূন্না খূৎশম্নদুনা তকশিনমিন্নবগী মতম ওইরে। নাগালেন্দ অমদি মিজোরামগী ওইনদি ইন্দিয়াগা য়ূমলোন্নবা ম্যান্মার ঙমখৈদা মখোয়গা নাৎ, চৎনবী, লোল মান্নবা ফূরুপশিং খুন্দাবনা মখোয়গী ইস্যু অসিগা অতোপ্পা নোর্থ ইষ্টকী ইস্যু অসিগা খেন্নে। অদুগীসু মথক্তা মমাঙঙৈ মতমদগী হৌনা ষ্টেট অনী অসিদগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থাগৎলকখিবা এম পিশিংনা মশা-মশাগী ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা মখোয়গা নাৎ, চৎনবী, লোল মান্নবা নত্তনা মীতোপ চংহন্দনবা য়াম্না কন্না ঙাক শেন্দুনা লাকই। মতম অদুদা মণিপুর য়াওনা অতোপ্পা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী এম পিশিংনা ষ্টেট অনী অসিদগী মীয়াম্না থাগৎলক্লিবা এম পিশিং অসি থম্মোয় য়াম্না পীকই হায়না ৱাখল খন্নখিবা লৈরবসু মদুগী মহয়না ঙসিদি ষ্টেট অনীসিদা মীতোপকী প্রোব্লেম অমত্তা মায়োক্নদে। লেমহৌরিবা অতৈ ষ্টেটকী এম পিশিংনা থম্মোয় চাউবা অপূনবা ইন্দিয়াগী ৱাখল খল্লিঙৈদা থৌ-ৱা কয়া শাহৌদবদগী মীতোপ্পা খূৎলিংবা ষ্টেট হায়বদু ওইহৌরে। মসিনা খঙহল্লিবদি নাগালেন্দ অমদি মিজোরামগী মীয়াম্না থাগৎলকখিবা এম পি অনীখক্না লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংদগী মীয়াম্না থাগৎলকপা য়াম্লবা এম পিশিংদগী কোক ৱাংবা হেল্লি অমদি তুংগীদমক অশানবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা লাকই তাকপনি।

মতম অদুদা নোর্থ ইষ্টকী মীহুৎ ওইনা লৈরম্বা এম পিশিং অদুনা নাগালেন্দ অমদি মিজোরামগী এম পিশিংগুম্না অশানবা মীৎয়েংনা থবক তৌরমদবা কয়া অদুনা ঙসিদি মীতোপশিংনা খূৎলিংবা লমদম ঙাক্তা হায়বদু ওইরে। মসিগী খুদমদি অসামদা মীওই ক্রোর ১.২৫ বাংলাদেশতগী চঙলকখিবা মীতোপশিংনা অসামগী সিটিজন ওইনা খুন্দা লৈতাশিন্দুনা লৈখ্রে, মীহুৎ ৪০ অসাম লৈঙাক্তা য়াওশিনখ্রে, হৌজিক্তি অসামদা মীতোপ খন্দোকপা ঙল্লরোই হায়দুনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা হন্দক্কী ১৮শুবা লোক সভা ইলেক্সনগী ঝরখণ্ডদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা কেম্পেয়ন অমদা ফোঙদোকখিবা অদুনি।

মহাক্কী ৱারোলদা মমাঙগী লৈঙাক্তা দাইরেক্ট ওনশিন্দুনা শাওনীংবা ৱাহৈনা ফোঙদোকপা নৎত্রগসু নাকোইননা মশাগী ইস্যুনা লূম্না লৌরগা ষ্টেটকী অমদি তুংগী ইস্যু খন্দবা এম পিশিংনা থোকহনবনি হায়দুনা ফোঙদোকখি। মসিগা চপ মান্ননা ত্রিপুরা ষ্টেটকী অপূনবা সিট ৬০ লৈবগী মনুংদা মীতোপ্পা সিট ৪০ অদুগা ত্রিপুরীগী সিট ২০ ওইরিবসি মমাঙগী এম পিশিংনা মতম চানা মীতোপ খন্দোকপগী থবক চথরম্লবদি হৌজিক্কী ফীভম অসি য়ৌরম্লোই হায়না হায়খিবা লৈখি। তৌবদি থাক অসি য়ৌনদি মণিপুরগী ফীভম য়ৌদ্রি। মরম অসিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা সেন্টর লৈঙাক্তা তকশিনমিন্নরবদি খরা মখৈদি কনবা ঙম্বগী চাং ৱাংনা লৈ।

মালেমদা ঙসি ফাওবদা মীশিং য়ামদবা ফূরুপ্পা মীশিং হেন্না য়াম্বা ফূরুপ অমদা অতম্লনা ওনশিন্দুনা লান্দাশিনবা অসি ঙসি ফাওবা তাখিবা লৈতে। মালেমগী মফম খুদিং মীশিং য়ামদবা ফূরুপ্পা মীশিং য়াম্বা ফূরুপ্তা ইকায়খুম্নবা ঙাক্তনি। অদুবু মণিপুরদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবনি হায়বদি মণিপুরদা মীশিং খ্বাইদগী হেন্না য়াম্বা মীতৈদা ম্যান্মারদগী রিফ্যুজি কুকিশিং অমদি মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবা কুকিশিং অনী খূৎশম্নরগা লান্দারক্লি। মদুসু মখোয়বু মচাদা মচা, মনাওদা মনাওগুম্না চাউনবা য়োকপীরকখিবা মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংদনি।

মীতৈদি ইন্দিয়াগী লোনা য়াদবা থবক অমত্তা তৌদে। মরমদি ইন্দিয়াগী লোবু ইকায়খুম্নে অমদি চৈরাক ফংগনি কিনৈ। চৈরাক্কী ৱা ঙাকসু নত্তবদা য়াদে হায়বা থবক অমত্তা তৌবা পাম্নদে। মীতৈদি অরানবা থবক তৌরুরিবা মীদু শক-মায় য়েংদবীদা চৈরাক পীবগী চৎনবী লৈ। অরানবা তৌরুবা মীদা চৈরাক পীবিনবা মীতৈ ফূরুপ্তা মী ৱাৎতনসু লৈ।

কুকিশিংদি মদু নত্তে ফত্তবদা পূক্লিং থৌগৎনৈ, শৌগৎনৈ। অরানবা তৌবশিং ৱারক-ৱাতেম্বীনবা অমদি থেমজিনবীনবা মী লৈতবা ফূরুপনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দাশিল্লিবা অসি মখোয় মশানা লাল্লি হায়বদু খঙনা-খঙনা ৱাতেম্বীনবা থেমজিনবীনবা মী লৈতবদগীনি। অরানবা শৌগৎপা ফূরুপকী হৌনবা অচুম-অরান থিদবীদা মখোয় মশেল শৌগৎনবনি। মরম অসিমক্না মখোয় খুদিংনা লাই ওইনা লাৎপা য়ারবা মীতৈশিংদা অতম্লনা ওনশিল্লগা লান্দাশিনবা ঙম্লিবনি।

হৌজিক্না চীংদা পোপি মরূ হুনবা য়ানবা মীতৈশিংনা চীংথক্তা কারক্তনবা চিফেৎ-চিফেৎ নোংমৈ, বোম, টোপ্পা তম্পাক্তা কাপথরক্লি। অসুম্না মীতৈদা নোংমৈ, বোম, টোপ কাপথরক্লিঙৈ তাঞ্জা, লাংলিঙৈসিদা পোপি মরূ হুন্দুনা প্রোটেক্সন তৌহৌবা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া মখোয়গী মখূত্তা থমহৌনবা হোৎনবা, ৱার ওন দ্রগকী মায়োক্তা লৈ উৎহৌবা, লোবু মখূত্তা পায়শিন্দুনা থম্লগা মীতৈশিংনা শাওনীংগদবা থবক ঙাক্তা তৌবনা মখোয়গী মথৌদাং ওইদুনা লৈরি।

ইকায়বা মশক খঙদবা ফূরুপকী হৌনবা মাইনোরিটিগী মরুমদা ভিক্টিম কার্দ পায়রগা কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারকপনি। কুকিশিংনা খ্বাইদগী অপাম্বদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওল্লকপা অসিনি। মমল য়াম্লবা মীতৈ অমগী থৱায়গা মখোয়গী ৱারকপা ঙমদবা লমহেন-তুহেনবা কুকিগী নহা তরাগী থৱায়গা শিন্ননবা লান্দারকপনি। অতোপ্পা অমনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেন্ত্রেল ফোর্সশিংদা হায়জ-নোঞ্জ তৌদুনা অমদি মখোয়গী বট্টালিয়নদা মখোয় মখোয়গী মতু, মচা, মচন-মচেশিংবু থারগা এঙ্গাং-নাপি শেমহল্লুবা অমদি জৱানশিংনা শীজিন্নবা মফি-মরোল শুদোক-চামথোক্লুনবা থারগা মদুনা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং মখোয়গী মীচংলোমদা লেপ্পীরক্তুনা প্রোক্সি ৱার তানবা কন্না শিল্লিবনি। মসি কুকি কষ্টমগী মচৎনি, মখোয়দি নুপী অঙাংগী ঈজৎ য়োল্লগা চাবা ফূরুপনি। নুপীনা মপান থোক্না শেল তাল্লুরগা মচা-মৱা থাকপা ফূরুপনি। খুলগী নিংথৌদা খূউ খুদক কুল্লগা খুরুম্বা ফূরুপনি অমদি মশাদা লুখা থাবগী হৈনবী মনম কোক্ত্রিবা ফূরুপনি। অমরোমদা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফনা য়াম্না নিংথিনা ফংলবসু, কোট শুট-টাই শেৎ চাদুনা হেক য়েংবদা জেন্টলমেন মাল্লবসু মথম্মোয়দি হৌজিক ফাওবদা লৈকুৎ লৈরাইদা লৈরিবা ফূরুপনি। মীতৈশিংগী ৱাহৈদা হূইবু দোলাই তোংহল্লুরগা অমাংবা উরগা মখাদা চোংথরকই হায়নবা অদুগুম্বনি।

অসুম্না মীতৈশিংনা কুকিশিংনা লান্দারকপদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবগী অৱাবা অমা লোইদ্রিঙৈদা অৱাবা অমা, চৈথেং অমা লোইদ্রিঙৈদা চৈথেং অমা, মথংনা করম্বা চৈথেং অমা অমুক নংবা তম্বা ঙম্বা নত্তে। মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকিশিংনা চথরক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা অসুক য়াম্না ৱারিঙৈসিদা হৌখিবা মে ৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পোবোবতা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈনা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংবদা য়াম্না চাউনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে। অদুগা হৌজিক্না অমুক সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরদুনা কা হেন্না নোং লেপ্তুনা চুথরকপদগী ইম্ফাল তুরেল অমসুং নম্বুল তুরেলগী লৌনম্বাল কায়খিবদগী ঈশিং ঈচাওনা অচৌবা শাফু অমা পীররে। অসুম্না থেঙ্খাং কয়াগী খুদোংথীবা অৱাবা কয়াসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী পূন্সি অমদি লন-থুম কয়া মাঙখিদুনা খম থেংনা অৱাবা হায়বদু ওইহল্লে। ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা ওফিসশিং, স্কুল, কোলেজশিং, নুপী কৈথেল, পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল ঈশিংনা পুল্লং লংখ্রে। ইম্ফাল ময়োল অসি অনীশুবা লোক্তাক পাৎ অমা ওনখ্রে। ফীভমসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজশিং, ওফিসশিং লৈঙাক্লা ছুটি লাউথোকখ্রে। তম্পাক্তা লৈরিবা মীতৈশিং ‘লায়রবদা লাই চঙবা, লু কোকপদা লেন তাবা-!’ হায়বদু চপ চানা থোক্লে। ●

# মপুরোইবা নীংবী সতি সাবিত্রী

## (কালেন থাগী ২৯নি পানবা নুমিৎ সাবিত্রী ব্রত/জুন ৫ মালেমগী উমং য়োকখৎপা নুমিৎ অদুগা নাকথংদনা পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনগী রিজল্ট মরক্তা মরাং-মরাং লাংনরিবা হীরম ৩সিনি)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

নুমিৎ অসিদা মরু ওইবা থৌরমশিং ফাংজিন্নরুবা হীরম অমদা খূৎ থাজরগে, হীরম অহুম্মক য়াম্না মরু ওইবা ঙাক্তনি। অদুবু কলমসিনা ‘মপুরোইবা নীংবী সতি সাবিত্রী’ গী মায়কৈদা সুম-সুম খোৎপা হৌরক্লি। মহাভারত মতমগী খন্দ মরক্তা, উচেক মতুগী কলমনা খোৎলম্মী। মতমদুগী অইবা বেদ ব্যাস দেবনা, সৈত্যবান-সাবিত্রীগী ইনখৎলকপা মতমগী চেংলৌ শক্তমশিং, ১৪শুবা চহী মতাংগী তথল্লবা মীৎম্না অনী অনীদুনা অমগী থম্মোয়না অমদা অহানবা উনখিবা মীকুপ্তা থম্মোয় খুদুম চন্নখ্রে, আ য়ৌনা খন্নখ্রে, অরেপ্পা ওইরগে লেপ্নখ্রে, আশ্রমগী উমং-ৱামংগী উচেক-ৱায়ানা লেংদ্রবা শাখি থম, খোইথুম্লবা উহৈ-উপাল, হৈরাং-লৈরাং, উপান্দা য়েৎলিবা উরিশিং, চেন্থরিবা লোক্কী ঈশিং-ঈচেল, থেক্কোই-নাকোইরবা খোঙ লম্বী মচাশিং অমসুং আশ্রমগী খাঙপোকশিং অসিগী মথক্তা কোরৌথক্তা ঙাল্লিবা মচু তরেৎনা লৈতেংলিবা চুমথাং কৌবী নোংজাবী নখোয় পূম্নমক্না লেঙদ্রবা শাখি ওইরগনি সাবিত্রী-সৈত্যবানগী অহৌবা নুংশি শৈহৌগী নুমিৎ, পূম্নমকসিনা লেঙদ্রবা শাখি ওইহৌরসনু, মপোক অসিমগী লেঙদ্রবা শাখি ওইহৌরসনু।

ইনখৎলকপা চহী ১৪ (মতমদুদা চহী ১৩/১৪দা লুহোংবা চৎনরম্মী) শুরকপদা সাবিত্রীনা সৈত্যবানবু উজখিবা মীকুপ্তা মাগী বর ওইরগে খনখ্রবনি, সাবিত্রীগী পূক্নিংদা। অপোকপা মপাবুংনা সৈত্যবানদি পূন্সি য়াম্না তেল্লি হায়বসি কয়ারক হায়রবসু সাবিত্রীনা খক য়াবা কৌবা লৈখিদ্রে। অহানবা শকখঙনবা মীকুপ্তা মপুরোইবা ওইনা খনখ্রে, খোঙফম হোংলরোই হায়না ইথন্তা ৱাশকখ্রে। ৱাশক অসি অদুমক ঙাক্লগে, সৈত্যবানগা লুহোংবীননবা মপাবুংদা হায়জরম্মী। মচানুপী সাবিত্রিনা ময়াদ্রবদা সৈত্যবানগা লুহোংলে, করম থোক্লগবা খন্দুনতা লৈখ্রে। নারদ মুণিনা সৈত্যবান লুহোংলবা মতুং চহী অমা মপূং ফারকপদা পূন্সি লোমগনি হায়না মাঙজৌননা লাইফাও পীখ্রবনি। করম থোক্লগবা! লাইগী নোংদমদি ককপা য়াবা নত্তে, প্রতিকার লৈত্রবদি প্রতিকার তৌবসু য়াদে, প্রতিকার পীদে, মসিমক খ্বাইদগী লুখ্রবা নোংদম্বগী নোংদমখোন হায়বদুনি। শুংশোয় শোয়দনা পূন্সি লোল্লগদৌবা সৈত্যবানবু সাবিত্রীনা করম্না মপুরোইবগী থৱায় কনগদৌরিবনো য়েংলসি।

লুহোংলবা মতুং সৈত্যবান মহৌশাগী মতৌগুম অদুমক বনদা চৎতুনা উহৈ-উপাল, হৈরাং-লৈরাং য়েন্দাই থন্না-থন্না হেক্তুনা সাবিত্রীগীদমক লাইদা কৎননবা/খুরুম্নবা হেক্লক্লিবনি/পুরক্লিবনি। সাবিত্রীগী পূক্নিংনা পামজবা ঈশ্বরগী মফমদা কৎচদুনা/থৌনিজদুনা মপুরোইবা সৈত্যবানগী পূন্সি নুংশাংনবা নুমিৎ খুদিংগী খুরুমজরিবনি। অসুম্না নুমিৎ খুদিংগী থৌনিজবদুনা খঙহৌদনা চহী অমা মপূং ফারক্কদৌরে, হয়েং নোংজাদদি চহী অমা মপূং ফাবা নুমিৎ হায়বদু থোক্লরে। ঙসিদি সতি সাবিত্রী মপুরোইবা সৈত্যবানগী তুং ইনগনি, মীকুপ অমত্তা থাদোক্লোই হায়না লেপখ্রে, তুং ইল্লক্লে। অঙনবা অয়ূক মতমদগী সৈত্যবানগী তুং ইন্দুনা বন খুদিং হৈরাং-লৈরাং য়েন্দাই থন্না-থন্না হেক্লিবনি। খঙহৌদনা অতিয়া মকোয়দা অমুবা লৈচিল-নোংফাইনা কুপখিদুনা পুংমম মম্বা, মঙাল উরক্তবা অমম্বা অহিংগী পাঙ্খক ওইরক্লে, অতিয়াদা নোংথাংগী মশেক-মঙালনা অখাক-অরাওনা মায়কৈ খুদিংমক পুম্লিল নীল্লিবনি। যমরাজ লেংলক্লবনি সৈত্যবানগী মথ্বায় লৌরুনবা লাক্লবনি, ওন্থোকপা হায়বদুনি। মীকুপ্তা সৈত্যবান ৱান্থখ্রে/ৱাখল মাঙখ্রে, সৈত্যবানবু মতম্বাক্তা মোনখাংনদুনা লৈরি, মপুরোইববু হৌদোক্লি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না। খঙলে সৈত্যবানগী থৱায় যমরাজনা পুখ্রে, সতি সাবিত্রী থৌরাং তৌখ্রে শেম শাদুনা লৈখ্রে। সৈত্যবানবু মতম্বাক্তগী তপ্পা থাংথারম্লগা যমরাজগী তুং ইল্লক্লে।

হৌজিক্তি যমরাজনসু, সতি সাবিত্রীনা তুং ইল্লক্লে হায়বসি খঙলদুনা হংলক্লে, করি হংনীংলি সতি সাবিত্রী? সৈত্যবানগী থৱায় নত্তবা বর অমা নীজৌ হায়না হায়রক্লে। ইপুরোইববু পোকপা ইকুবোক অমসুং ইনেম্বোক অনীমক্কী মমিৎ অনীমক উহনবীয়ু লোয়ননা মাঙখ্রবা নিংথৌগী খুভম হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না নীজরে, মদুমক পীরবনি সাবিত্রী হৌজিক্তি নহাক হনখ্রো তাকপীরে। অদুমক ওইদুনসু যমরাজগী তুং ইল্লক্লি। যমরাজনা অমুক্কসু হংলকই, করিগী ইতুং সুম-সুম ইল্লক্লিবনো? অহিংবনা ঐগী তুং ইল্লকপা য়াদে খঙদ্রা? অরোইবা ওইনা সৈত্যবানগী থৱায় নত্তবা বর অমগা নিজৌ হায়না হায়রক্লে। সতি সাবিত্রীনা যমরাজদা চহী অনী খুদিংদা অকনবা মচা চাম্মা/চাম্মগী মমা ওইবা ফংহনবীয়ু হায়না নীজরে। যমরাজনা মদুমক ওইজরো, হৌজিক্তি নহাক লৈহৌরো হায়না হায়রবসু সাবিত্রীদি লৈহৌবগী মহুত্তা সুম-সুম ইন্নরক্লে, অদুগা অসুম্না হংলক্লে, ইপুরোইবা য়াওদনা করম্না ইচা চাম্মা-চাম্মগী মমা ওইগদৌরিবনো? যমরাজনা ননাইদা পীনবীরিবা মমা ওইবীগী শিধ পূম্নমক পাল্লরে, মমা হায়বদুদি শোয়দনা ওইগদৌরে ইপুরোইববু পীনবীদুনা ইকায় ফিরুক নংগদৌবা অসিদগী কনবীয়ু হায়না নীরক্লে। হৌজিক্তি করম তৌবা তারি যমরাজ মীকুপসিদা। লৌশিং চাউবী সতি সাবিত্রী নঙগী লৌশিংদা যমরাজ ঐহাক মায়থীরে। ঐগী পাম্বৈ লৈত্রে, খন্থহৌদনা পীহৈদবা বর নঙোন্দা পীরুরে, হৌজিক্তি নপুরোইবা সৈত্যবানগী থৱায় হন্দোক্লগে, চৎলো থিন্থরগনু অমম্বা মরকসিদা যমরাজ ঐদি তূমিন্না চৎখ্রগে, নপুরোইবগী চিনবান্দা মাগী থৱায় মিরেলসি কু-কু হায়না ইনবীরুরো, যমরাজ ঐনা অমুক নপুরোইবগী থৱায় মিরেলসে হল্লবনি/পীরবনি।

সৈত্যবান হৌজিক্তা ৱাখল তারক্লে, মঙলান্দা যমরাজনা ঐহাকপু পুরম্মী, সতি নহাক্না ঐগী থৱায় পীরম্মু হায়না সন্নরকখিবদুবু মঙলান ওইরম্লবা! ঐহাক হৌজিক অহিংবা হায়বদু ওইজরবা নঙগী সতিগী চাংয়েং মায় পাক্লবা, নঙনা মায় পাক্লবা। হৌজিক্তি ইকুবোক অমসুং ইনেম্বোক অনীমক্কী মীৎ উজবগা লোয়ননা মহাক্কী নিংথৌ খুভমসু হঞ্জিল্লেদো, ইপুরোইবগী থৱায়সু কঞ্জরে, অদুগা ননাই নুপীগী খোইজিখাদা নাওয়েক-নাওপুরেদো, অকনবা ইচা চাম্মা পোকচগে হায়না যমরাজদা বর নিজহৌরে, শিধ পাল্লে মপা ইবুংঙো ওইগদৌরে খঙলবরো। সৈত্যবান হরাওবগী ঙমখৈ লৈখিদে, য়ূমদা হল্লকপদা বনগী লম্বী খুদিংমক সনা কোনুং তাবা লম্বী ঙাক্তা ওইরকপগা লোয়ননা সৈত্যবান-সাবিত্রীগী ফিজোল অমদি উহৈ-উপাল, হৈরাং-লৈরাংগী য়েন্দাইনচিংবা পূম্নমক মনাই-মশেলনা লৌশিল্লদুনা কোনুংদা চঙখ্রে।

লোইশিল্লকপদা, সংসারগী চৎনবী পূম্নমক থুগাইদুনা সতি সাবিত্রীনা মপুরোইবা সৈত্যবানগী পূন্সি কন্ননবা হোৎনরুবা (মহাক্না যমরাজদগী নীরুবা বরশিং) পূম্নমক অদু প্রকৃতিগী অচুম্বা কাঙলোন নত্তে হায়বসি খঙজদুনা (মৌন ব্রত) তৌদুনা, কোনুংগী পূখ্রি অচৌবদা ঈরু-মায়থরগা মশাবু শেংদোকচদুনা সংসারগী চৎনবীদা চঙজখিদুনা মপুরোইবগা নুংঙাইনা পানখ্রে। অসুম্না কালেনগী ২৯নি পানবা নুমিৎপু (মৌনি লুপ্পা) হায়না খঙনদুনা চৎনরক্লি, মমাঙঙৈ অঙাং ওইরিঙৈ মতমদদি অঙনবা অয়ূক্তা পূখ্রি অমসুং তুরেলদা নুপী ওইবীশিংনা (মৌনি লুপ্পা) য়াম্না চৎনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি চৎনখিদ্রে, অসুম্না মতম অমদদি মপুরোইবা নীংবী সতি সাবিত্রী হায়না খঙনদুনা নীংশিংনরম্মী। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **“পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।”**

মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) **“নিমাইগী ঈশৈদো”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?

৩) **“ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা”** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“অঙাওবীদো ঐগী ইমানি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

( ACI ) ADVANCED COACHING INSTITUTE
Sc., Arts & Comm
LARGEST AND TRUSTED PREMIER COACHING INSTITUTE IN MANIPUR
TIME SCHEDULES
4.30am to 8.30am
4.30to 7.50pm
4:15pm – 7.40pm
MAXIMUM POSITION HOLDERS PRODUCER IN EVERY YEAR IN BOTH X & XII
HSLC
SCIENCE
TOPPERS STUDENTS




STATE BOARD AND COUNNCIL (BOSEM & COHSEM)
Hurry !! Limited Seats
CENTRAL BOARD (CBSE)
XI&XII( Sc/Arts/Com) FOUNDATION 5TH , 7th June
XI & XII (Sc/Arts/com) FOUNDATION : 5th ,7th June
FOUNDATION COURSE FOR IX TO X : 7TH, 10TH JUNE
FOUNDATION (IX - X) : 7th, 10th June
NEET & JEE FOUNDATION
LATEST Study materials, Question sets from KOTA & ALLEN
CONCESSION : 1. ACIANS/Former 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position hol ders in class x & xii and 90% above 5 Freeship for position holders 6. 85% and above P.C.B of xii of 23 7. freeship for meritorious students NEET 23/24
Faciliteis : 7 full test series & state label mock test series ,30 extra test series for neet /jee van service, separate boys /girl hostel with wifi connection , Sunday mock test, extra dought session ,Extra class of Manipuri and English and optional subject for x and xii ,provided study materials .
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-P/8720/11/5-9/6

ACI SCHOOL
RUN BY ADVANCED COACHING INSTITUTE, IMPHAL
Kwakeithel Akham Leikai, near Kwakeithel Bazar
(A Co Educational Higher Sec. School affiliated to COHSEM)
Regd. No. 1/96/96/-HSC(Vol.VIII) of 2022
FACILITIES:
▪ 2 years NEET & JEE Integrated Course
▪ NDA/ SSC/ Banking Basic Foundation Course
▪ Separate Hostel for Boys & Girls
▪ Wi-Fi Library ▪ Transport Facility
▪ Specialized Job Oriented
▪ Grading system facilities
ADMISSION OPEN FOR XI(Sc. & ARTS)
FIRST COME FIRST CHANCE
FIRST PHASE OF ADMISSION
NO ADMISSION, TUITION FEE FOR 1 YEAR (FREE) FOR FIRST 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
FOURTH PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.10,000 ONLY OF FIRST NEXT 100 STUDENTS (Sc.) & 40 STUDENTS (Arts)
SECOND PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.5, 000 ONLY OF FIRST NEXT 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
LAST PHASE OF ADMISSION
ADMISSION FEE: Rs.14, 000/-
MONTHLY TUITION FEE: Rs.2, 200/ MONTH
THIRD PHASE OF ADMISSION
ONLY ANNUAL SCHOOL FEE FOR 1 YEAR = Rs.8, 700 ONLY OF FIRST NEXT 50 STUDENTS (Sc.) & 30 STUDENTS (Arts)
GRADING SYSTEM FACILITIES
GRADE A1 : Total Freeship (Admission + Tuition + Book + Uniform + Scholarship of 1k to 3k per month)
GRADE A2 : Freeship (Admission + Tuition + Book + Scholarship)
GRADE B1 : Freeship (Admission + Tuition)
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI 9862992105

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।